# কনানো’মনা অশোয়বা/অরানবা অমদি তৌখরে, থিদোকসি

‘লনসেৎ’ (এল এ এন সী ই তি)! ৱাহৈ অসি তাবীখ্রবরা? মেদিকেল প্রোফেসন’দা লৈবা মীওইশিংদা খূৎলোয়রবা ৱাহৈ অমা ওইরবসু ঐখোয় মীচম মীয়ামদদি তোয়না তানদবা ৱাহৈ অমনি। খঙদে ঐসু - ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক করিনো? লন্দন, ন্যু য়োর্ক অমদি বৈজিংদা এদিটোরিএল ওফিস লৈবা, মালেমদা মমিং চৎলবা মেদিকেল জর্নেল অমগী মমীংনি। হান্নসু খঙলমদে। ইন্দিয়াদা ওইরক্লিবা, পৃথিবীগী রেকোর্দ থুগায়বা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক’না শিবা অমসুং নাবগী মশীং অমদি মরী লৈনবা ৱাফম খরা ইদুনা ফোঙখিবদু সোসল মীদিয়াগী খূত্থাংদা মীয়াম খঙনবা চাইথোরকপা থেংনরুবদগীনি। লোকল পেপর খরসি নত্তনা নেসনল পেপর পাখিদবা কুইরক্লে। পাউ অদু ফোঙখিরম্বা থোক্লবসু পাহৌদে। ফোঙলমগদবসু মান্দে। ইন্দিয়াগী নেসনল মীদিয়াশিং অসি ‘মোদি’গী মায়োক্তা করিগুম্বা খরা হায়বা/ফোঙদোকপসি য়াম্না কিজবনি। ফাগনি/পুনগনি হায়বগীরা? মমল পীদুনা লৈখ্রবরা? মদুমদি খঙবা ঙমদরে। হায়নৈ - ২০১৪দগী লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবা ‘মোদি’ না ঙসি ফাওবা অমুক্তসু প্রেসমেনশিংগা মায়োক্নবা ৱারী শানৌ য়াদ্রিবা, প্রেস কনফরেন্স পাঙথোকউ য়াদ্রিবসি, মহাক্না গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ‘করন থপ্পর’গা মায়োক্নবা ৱারী শানবদা ‘থপ্পর’ না লংশিল্লকপা নূংদুমগী মশক ওইরবা ৱাহংশিংদু খুন্বা ঙমখিদবা, ইকায়বা খাঙবা ঙমদদুনা ফমফমদগী হৌগৎলগা চৎখিবগী থৌদোক অমা থোকখিবদুগী মতুংদগীনি। মীয়াম মাঙদা মাইক্রোফোনগী মতেংনা, অতাবা লিশীং কয়া শুমহৎনবা ঙাঙবা, পার্লিয়ামেন্টরি দিবেট তৌনবদা, পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিং ময়া কুমহন্নবা ঙাঙবদদি মপা লৈতে হায়নরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ‘নরেন্দ্র দামোদোর মোদি’ - ময়াদা মৈ হৌরবা ইন্দিয়াগী জর্নেলিষ্ট ময়াম অসিগা ওনশিন্নদুনা অৱায় অখুম তৌনবগী মথৌনা অদুদি তাশিনজবা ঙমজদে। অমেরিকান প্রসিদেন্ট (মমাঙগী) ‘দোনাল্ড ত্রম্প’ না পাঙথোকপা ‘প্রেস কনফরেন্স’ খুদিংদা জর্নেলিষ্টশিংনা ‘ত্রম্প’ কী ৱাখল য়াওদবা থৌশিল, মথোঙ হুক্তবা মতৌদু করেম্নদুনা হংখিবা ৱাহং, ইখিবা রিপোর্ট ইন্দিয়ন প্রেস ওইরম্লবদি মখোয় কনাসু মথৌ তৌবা ঙম্লম্লোই, ৱায়েনশঙফাও কান্থোক্লগা কৈশুমশঙদা নমশিল্লমগনি। ফ্রীদম ওফ প্রেস ... কন্সটিট্যুসন’না হায় হায়বৈ ৱানি, ইন্দিয়াদা লৈতবনি, নীংতম্না ইরুনু, নীংতম্না হায়রুনু - নহা ওইরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা সিনিয়র ওইরবশিংগী পাউতাকনি।

মমিং চৎলবা মেদিকেল-জর্নেল অসিগী এদিটোরিএলদা ইরি ... ‘মোদিগী লৈঙাক অসিনা তমথীরবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মহাক্কী মায়োক্তা ঙাঙলকপা/ইরকপা/ক্রিতিসিজম ময়ামদু ত্বিটরগী খূত্থাংদা মায়োক্লবরোমদা হেন্না পূক্নিং চঙখি ... ওপন দিবেট তৌনদুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনখিদে... মসিমদি তশেংনা ঙাকপীফম থোক্তবা মরালনি’...। এদিটোরিএল অসিনা মখা তারি ... ‘ইন্সটিট্যুট ফোর হেল্থ মেত্রিক্স এন্দ ইভাল্যুএসনগী কালক্যুলেসন মতুংইন্না চহীসিগী ওগষ্ট হৌগৎলকপা ফাওবদা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিবা অপূনবা মীশিং লাখ ১০ য়ৌগনি’...। ৱাশিংটন (অমেরিকা) দা লৈবা ইন্সটিট্যুট (আই ঐচ এম ই) অসিনা হায়রিবসি, করিগুম্বা অচুম্বা ওইরক্লবদি প্রলয়গী মশক ওইরবা থৌদোক অসি মহাক্না থোকহনবনি, মহাক্কী গভর্ণমেন্ট অসিনা মদুগী তেকচাক পুগদবনি হায়নসু ‘লনসেৎ’ (চেফোঙ’সি) না মরাল শীরি।

চেফোঙ অমনা ইন্দিয়াগী ৱাথোক অমবু এক্সপোজ তৌবতা নত্তনা লৈঙাকপুরেন অমগী মথক্তা মরাল অমা শীরক্লবনিনা ঐখোয়, ৱাফম অসি তরাই তরাই লৌগুমসি। হঙ্গৎনা’মুক্তং য়েংলুসি।

লাইচৎসিগী অহানবা ফেজ, মথোঙ মরম খঙদনা লাউথোকখিবা লোকদাউন’দুননি খঙদে, মীরমদা ফাইদুনা লৈরুবা মীয়ামদুনা লায়নাদু মাস-ত্রান্সমিসন তৌবদা মতেং পাংই হায়নরগসু মালেমগী মফম অতৈদা শোকখিবদুগা চাংদম্নবদা চাং নেমখি, অমেরিকানফাওবা ইন্দিয়াগী মতেং নিরকখি। ভাইরসসিদই ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন শাবরোমদা মায় ওনশিনখি। মায় পাক্লা ভেক্সিন অনী পুথোকখি। চাংয়েং তৌবা লোইরবতুং, মরৈবাকচাশিংবু লায়নাসিদগী কন্নবা হান্না কাপথোক্লবা থৌশিলদুদি য়াৎখিদে, মীরৈবাক্তা হান্না থাদোকখি। পুকচেল চাউবা মতৌদুগীদি থাগৎলি। অদুবু, থৌওং অদু মশাগী ইমেজ/মিংচৎ ৱাংখৎহন্নবনি হায়দুনা মরাল শীরক্লবগী মরম অমা ওইরে ঙসি, ভেক্সিন অদু ইরৈবাকচাশিংনা শীজিন্নবা তঙাইফদ্রবা মতমসিদা পীবা ঙম্লক্ত্রবনা। করিগী ঙমদ্রিবা? কোন্না অমুক পঞ্জরক্কে। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯-নাবা-মী নোংমদা হেনগৎলম্বা মশীদু শীংথানীংঙাই ওইনা হন্থরক্লবা মতমদুদা মোদি-লৈঙাক্লা অচৌবা অরানবা অমা তৌখি। মার্চ থাগী অঙনবদা হেল্থ-মিনিষ্টর (ডাক্টর হর্ষ বর্ধন) না লাউথোরকখি ... ‘ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙম্লে, অমুক নুংনাংনীংঙাই ওইদরে’...। মতমদু, কোভিদকী অহানবা ঈথক অদুনা নৈখায়রম্লবা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা অনীশুবা ৱেভ লাক্কনি খঙলবদু মায়োক্লনবা কন্না শেম শারিঙৈ মতমনি। চাইনাগী য়াম্লবা মীয়ামদু চাদা মরিফু হীদাক কাপথোকখ্রবনি। লনসেৎকী এদিটোরিএল অদুদা ’সিমসু থৌনা ফনা ফোঙদোকই, মদুদি, এপ্রিল ২০২১ ফাওবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মীটিং অমুকফাওবা পাঙথোকখিদে। ভিদিও কনফরেন্সিং মোদেল’দা, মানা হায়বা ৱা খুদিং, হঙ্গৎনা অমুক ফাওবা য়েৎলক্লরোইদবা চীফ মিনিষ্টরশিংগদি মীটিং মশীং খঙদনা পাঙথোকখি। এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা পেন্দমিকসিগা মরী লৈনবা অফোংবা মীফম (ওপন দিস্কসন) অমত্তসু পাঙথোকখিদে। গভর্ণমেন্টকী হেল্থ-সেক্রেটরি, নিটি আয়োগকী সী ই ও, ইপিদিমিওলোজিষ্ট, সাইন্টিষ্টশিংনা পীবা সজেসন অমত্তসু লৌখিদে। থৌওং অসিবুনি ‘লনসেৎ’ কী এদিটরনা ঙাকপীফম থোক্তবা মরাল অমনি হায়রিবা।

কোভিদ-১৯-সেকেন্দ-ৱেভ অমা লাক্কনি, ভাইরস’সিগী অনৌবা শক্লোন (ষ্ট্রেইন) অমা থোক্লক্কনি হায়বসি মোদি অমদি মাগী এসোসিয়েৎ/এদভাইজরশিংগী মকোক্তুদা চঙখিদবা জাৎলা। খঙলগনা ৱাফম অসি থওইখিদবা করিগী? সেকেন্দ ৱেভ অসিনা হেন্না তমথীরক্কনি, ইন্দিয়াদা কোভিদ-সুনামি থোক্কনি হায়বা ইন্টরনেসনল ৱার্নিং লৈনা লৈনা কুম্ভ-মেলা করিগী পাঙথোকহনখিবা? মীখলগী চাউর-চাউরবা মীফম, থিংখিদবা করিগী? মরকসিদা, অরুবা ৱাহং অমনি - তানফমসিদা খ্বাইদই হেন্না মরু ওইবা ‘মীয়াম্বু টিকা থাদোকপা’ (ভেক্সিনেসন) গী প্রোগ্রামসি খোঙজেল য়াঙশিনবা ঙমদ্রিবা, হীদাক্কী অৱাৎপা লৈহল্লিবসিনা করিগী? মে থা হৌগৎলকপদা, য়ামখ্রবা মীকোক (ক্রোর চাম কুন্থ্রামঙা) সিগী চাদা অনী (২%) গী চাংদা কাপথোকখিবতা মঙায়রি। হৌজিক হীদাক লৈতরে। অহুমশুবা ৱেভ অদুসু থুংলরগনি হায়নরি। খঙদে করম থোক্লগবা! ইন্দিয়াদা হৌজিক শুংলিবসি ভেক্সিন মখল অনীনি - (১) পুনেদা লৈবা ‘সিরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া’না শুংবা ‘কোভিসিল্ড’ (অস্ত্রা-জেনেকা অমদি ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিনা দিবলপ তৌবা) অমসুং (২) হায়দরবাদকী ভারত বাইওটেক’না লমদমসিদা পুথোকচবা ‘কোভেক্সিন’। লুরিবদি পুথোক্লিবা/পুথোকপা ঙম্বা ভেক্সিনগী চাং অদুগা দরকার ওইবা মশীংগা চানদবা, পোত্থোক্লা ৱাৎপা অসিনি। হান্নবা পুথোকখ্রবা পোত্থোক্তু তুংশিন্দুনা থমহৌদবা, মীরৈবাক্তা থাদোকখিবা - অশোয়বা থৌশিল অদুনা ঙসি থোক্লিবা ৱাথোকসিগী ৱারূনি। মীগী মচিন কনানা মেনবা ঙম্লুনি? হায়রক্লে হৌজিক্তি- শাবা ঙম্বা কম্পনি অসুক য়াম্না লৈর’মক্তদা করিগী অনীখক্তদা থৌদাং অসি শিন্নরুবনো? জুন থা হৌরকপদদি রসিয়া’না শাবা ‘সিঙ্গল দোজ’ কাপ্লগা য়াবা ‘স্পুটনিক-ভেক্সিন’ ইন্দিয়াদা থুংলরগনি ঙাঙনরি। পাউসিগী নুংঙাইবা অমনা - ভেক্সিন অসি কৈথেলদা ফোংনা ফংহনগনি হায়বসিনি। য়েংসি-কয়াম চুম্বনো?

ৱারেং অসি ইরিঙৈ, ঐগী মোবাইল ফোনগী ৱাটসএপ একাউন্টসিদা লাক্লিবা মেসেজ, ইমেজ অমদি ইনফোর্মেসনশিং - কোভিদকা মরী লৈনবা ঙাক্তনি ... রিটাইরি-এসোসিয়েসনগী কদায়দা কনা নারবা, কনা কনা শিখ্রবা ... একাউন্ট’তু হাংবা তল্লক্লে। মরকসিদা মণিপুরগী শক্লাইরবা/শক্লাইরবী কয়া অমা, শিফম থোক্তনা শিখ্রিবা! শকখঙদবা, শক্লাইদবা মশীং খঙদনা শিখ্রবা, লায়র’-চুদৎনবা ময়ামদুগী ৱারীনা অমা ওইখ্রসু পাম্মুরবা শক্লাইরবা-মমিং লৈবা লৈখিদ্রবা ময়ামদুগী লিষ্ট অমা ফোঙদোকপা তঙাইফদবা অমা নত্তবরা? মোদিদা হায়রগা ফোঙহনসি। চাইনাদসু ফোঙদোকখি। মণিপুরগীসু ফোঙহনসি।

ঙসিদি ঐ, থম্মোয় শোকপখক্তা নত্তে, মচেৎ তানা কায়বা হায়বা কবিশিংনা শীজিন্নবা ৱাহৈদুনা ফোঙবা মতৌদুমকনি। ভারতিয়া জনতা পার্টি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট পায়বতা নত্তনা মণিপুর লৈঙাকসু পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি অমনি । খ্বাইদই শক্তি লৈবা, মরল লৈবা পার্টিনি। অদুগুম্বা পার্টিদুগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা, প্রোফেসর টিকেন’গুম্বা মীশক অমা, মণিপুরগী খ্বাইদগী হৈবা ডাক্টর পূম্বা শুনা লৈবা হোস্পিটাল (জৱাহললাল নেহরু মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল) অমদি শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুট’না কোভিদ-১৯-ইনফেক্সন্দগী কনবা ঙমদবা করিগীনো? ৱাখল য়াওদবা, অনাববু লোৎশিন্দুনা থম্লগা, মতম চানা হোস্পিটালদা পুখৎকনি খঙদবা, মিনিষ্টরশিংগী চৈফম ওইবা ইমুংগী মীওইশিংদুগুম্বা মী ঙাক্তরা মহাক্লা লোয়নবা মীওইশিং? করিগী মতম চানা পুখৎহৌদবনো? মতম চানা পুখৎলক্লম্বা ওইরগনা, কনানা, কদায়দা, করি অশোয়বা অমা তৌখিবদগী অনাবই ফীভম হেনজিনখিবনো? অরুবা ফীভমদা পুখৎখিবা চীফ সেক্রেটরি, রাজেস কুমার’বুদি নুমিৎ ২৪ লায়কন্নরগা তেক্তা কায়দা হলহনখিবা ঙম্মী। ডাক্টর/নর্স/এত্তেন্দেন্স অমনা চেকশিনহৌদবা করম্বা মীকূপ্তা শোয়খিবনো? বিজয়া য়ূম্লেম্বমগী কেস’তুসু প্রোফেসর টিকেনগী কেসসিসু ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেম্লগা থিগৎহন্নীংই। শেল চঙনা, চেকশিন্না লায়েংলিবা ভি আই পি’শিংফাও কনবা ঙমদ্রবদা, লায়রবা মীচম-প্রজাশিং...ওক্সিজেন লৈবা ঙমজদবা, মীচঙ লৈতবা মখোয়দি, করি আশাদা লায়েংশঙগী থোঙ থিল্লুদৌরিবনো? হেল্থকী ফ্রন্ট-লাইন-ৱার্করশিংদা মরাল শীবই ৱা নত্তে। মীওইবনি, লান্দবা ঙম্বা হৌনদে। অশোয়বদু থিসি হায়বনি।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১) চহী য়াঙ্খৈগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো?

২) “দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা” হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো?

৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা “মতমগী মণপুর” হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়া সেট শারগা নমখিবগে?

৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু “সেল্লুলোইদতা ইবা শৈরেং” (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো?

৫) “লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস” হায়বসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (২, ৩, ৪)
২) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১, ৩, ৪)
৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (২, ৩, ৪)
৪) সুরেশ খুন্দোংবম, পোইরৌখোংজিন মখা লৈকায় - (২, ৩, ৪, ৫)
৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১, ২, ৩, ৪)
৬) ***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১, ২, ৩, ৪, ৫)***
৭) টি ঐচ বিশ্বামিত্র শর্ম্মা, ৱাংজিং হোদাম্বা মনিং, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর - (২,৩,৪,৫)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৭কী ৱিন্নর

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ১৭কী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭কী পাউখুম

১) “মণিপুরী লোকসাহিত্য” হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?
***:- লাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমার সিংহনা ইবনি।***

২) “পুনুং ঈশম ফোয়না/চামলৌ লাচেন্নরুসি হায়রবদা/হাইনু তেরা লৌথিবী/শাইগং পোলিবী য়েন্নখাপাউতাবীনা/খোয়নৌ ইতা ও/খোইনাইওম্বা চনু ও/থোংনাং ময়াং চীং,/ময়াং কপনীং চীং,/লিন্দু য়াঙতেক চীং,/কৈরাউ খাদা পানবা/চামলৌ লাবু কদৌনশিগে?” শৈরেং মতেক অসি করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?
***:- ‘লারোল’ হায়বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনি।***

৩) “নোংখোঙ তম্না” হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
***:- কৈশাম প্রিয়োকুমারনা ইবনি, ৱারীমচাগী লাইরিকনি।***

৪) “হল্লকখিগনি অমুক তোর্ব্বানসিদা” হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করিদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
***:-জীবনানন্দ দাশনা ইবা শৈরেংবশিংদগী খনগৎপা শৈরেং খরদগী এন কুঞ্জমোহন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোকপনি।***

৫) “ইমানা শিরমদাইদা/শিন্নরম্বা বোম অমা/শেন্নরি ঐনা কন্না/কনা খঙদনবা,/কনা উদনবা।” শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?
***:- রামেশ্বর শারুংবমনা ইবা ‘খুদোল’ হায়বা শৈরেংদগীনি। সাহিত্য একাদমি যুব পুরুস্কার ফংখিবা লাইরিক ‘কায়রবা চফু মচেৎ’ হায়বা, দ কলচরেল ফোরমনা ফোঙবা লাইরিক্তুদগী লৌথোরকপনি।***

# মাউন্ট ইভরেষ্ট কাফম বেজ কেম্প অমসুং মাউন্ট কলাপথরদা ঐগী খোঙচৎ - ১

ঐহাক্না ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালনা মোংশাঙ্গৈ রুদষ্টোক স্কুলনা মখোয়গী শিংনবশিংগী শরুক অমা ওইনা আর কে মঙ্গিগী লমজিং মখাদা মাউন্ট ইভরেষ্ট কাফমগী বেজ কেম্প অমসুং মাউন্ট কলাপথর চৎলুবগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু অমগী রিফরেন্স লৌনীংই। ইন্টরভিয়ু অদুনা ঐবু মীকপ থোকহন্দুনা জিরিদগী মাউন্ট ইভরেষ্টকী বেজ কেম্প অমসুং মাউন্ট কলাপথর ফাওবগী খোঙচৎতু মীৎতা শংশং উরকই।



মখোয়না মখোয়গী খোঙচৎতু লমজিংবা অমদি মখোয়গী পোৎ পুবিনবা য়াওদনা মায় পাক্লকখি। মখোয়গী স্কুল অসিখক্তনা ত্রেক্কিং অমসুং এদভেঞ্চরগী লম্দা মীৎয়েং থম্বা স্কুলনি হায়না চাউথোক্লা হায়জে। মখোয়গী লৈরিবা শীংনবশিং অদু মখোয়নসু হায়জে -

১বদা - মুম্বাইদগী অন্ধ্র প্রদেশ ফাওবা খোঙনা শাংনা চৎপগী
২শুবদা - মাউন্ট অন্নপূর্ন (নেপাল) কাবগী
৩শুবদা - মাউন্ট গোরাচন (নেপাল) কাবগী
৪শুবা -
৫শুবা -
৬শুবদা - মাউন্ট ইভরেষ্টকী বেজ কেম্প অমসুং মাউন্ট কলাপথর চৎপগী - মসিনা স্কুলগী এক্সন প্লানগী চাদা অহুমগী চাংদা থেংনবা শীংনবনি।

ইন্টরভিয়ু অদুদা শ্রী আর কে আনন্দ অমসুং অতৈ ৱাখল মান্নবা মীওইশিংনা শেলগী মতেং পাংবীরকপদুসু পল্লি। মোংশাঙ্গৈ রুদষ্টোক স্কুলনা নীংথিজনা তৌখি, মসিগী প্রিন্সিপাল শ্রী আর কে মঙ্গি অমসুং চীংকারোইশিংদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ঐহাক্কী ‘মতম কুইনা লৈহৌরগদবা মীৎকুপশিং অমসুং পুন্সিবু মায়কৈ হোংহনখিবা এক্সপরিয়েন্সশিং’ অদু রেদিওদা তাবদা য়াম্না নুংঙাইখি। ইন্টরভিয়ু অদুনা ঐঙোন্দা ঐখোয়না তৌখিবশিং অদুবু অমুক হন্না নৌহৌননা নীংশিংহল্লম্মী। হিমালয় চীংশাংনা মতম পূম্বদা পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই পন্থুং অদুগা চীংলৈপাক নেপালনা মালেমগী এদভেঞ্চর পামজবা কয়াগী পূক্নিং চিংশিনফম ওইরি।

নেপালদা মাউন্ট ই বি সী (মাউন্ট ইভরেষ্ট বেজ কেম্প) কী লমথাফম অসি জিরিদগী হৌদুনা সার এদমন্দ হিলারি অমসুং তেন্সিং নোর্গে (সেরপা) গী ক্লাসিক ওইরবা মখোংনা চৎখিবা ঐতিহাসিক রেকোর্দ ওইনা মে ২৯, ১৯৫৩দা মাউন্ট ইভরেষ্ট মতোল লোমখিবা খোঙচৎ অদুগী লম্বীগী খুদুং ইন্দুনা চৎখি। সেরপাশিংবু মাউন্ট ইভরেষ্টকী কৈ হায়না খঙনৈ। অতোপ্পা মাউন্ট ইভরেষ্ট কানবগী লম্বীদি লুকলা ফাওবা পাইরগা মদুদগী মাউন্ট ইভরেষ্ট এক্সপিদিসনগীদমক্তা মাউন্ট ই বি সী কাখৎপা অসিনি।

কুমজা ১৯৯৭তা মাউন্ট ইভরেষ্টকী বেজ কেম্প অমসুং হিমালয়, নেপালদা লৈবা মাউন্ট কলাপথর এক্সপিদিসনগীদমক্তা মী ৪০ খনগৎলম্মী অমসুং মদুবু ওইনাম চাউবনা লুচিংলম্মী। মদুদা এম এম টি এ (মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিএসন) গী ত্রেক্কর নিফু অদুবু য়েংশিন্নবা মেদিকেল ওফিসর অনী, রিমসতগী প্রোফেসর শরত অমসুং জে এন হোস্পিটালদগী ডা. সাধনা নিংথৌজম ইশামক্লা ওইখি। মিস বীজয়া য়ূম্লেম্বমনা মীদিয়াগী মায়কৈদগী খোঙচৎ অদুগী দোক্যুমেন্টসন তৌনবা য়াওখি। মহাক অসি এম এম টি এগী থবক থৌরমশিংদসু য়াম্না য়াওরিবা অমনি। ঐখোয় ত্রেক্কর নিফুনা এম এম টি এগী ওফিসতগী মতমদুগী ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লমথাবীখি অদুগা নেপালগী ঙমখৈ তান্না বসতা চৎনবা ইম্ফাল থাদোক্লম্মী। কাথমন্দু য়ৌরবদা ঐখোয় লোইনমক কৈথেল কাবা চৎলম্মী। ঐনা ঐগী স্নিকর অমদি অতৈ তঙাইফদবা পোৎ চৈ খরা কাথমন্দুদগী লৈরম্মী। মদুদগী হল্লক্লগা ঐখোয়গী লুচিংবনা ঐখোয়বু শিবগী মমিং চৎলবা পসু পতিনাথ মন্দিরদা চৎনবা তাকপীরম্মী। ঐগা বীজয়া য়ূম্লেম্বমগদি মখোয়গা পূল্লুদ্রে, মদুগী মহুত্তা ঐখোয়গী মরুপ অমগী মচিন মনাওশিং, বিক্রম হায়বা অমগী লৈফমদা চৎলম্মী। মফমদুদা অয়ূক্কী চাকসু চাথোক্লে অদুগা য়াম্না নে তানসু মতমদু লেপ্থোক্লম্মী। ঐখোয়না ঐখোয়গী টিমগা পাউ ফাওনরম্মী অদুগা পূন্না কাথমন্দুদগী কিলোমিটর ১১০ লাপ্পা জিরিদা বসতা চৎলম্মী। মথংগী নুমিৎতা মাউন্ট ই বি সী অমসুং মাউন্ট কলাপথরগী হৌননবা জিরিদা নুমিদাং অদুমা পল্লম্মী। বীজয়াগা ইবান্নিদি তপ্পা কাবা নৎত্রগা মনিং থংবা কাঙবুনি। ঐখোয়না খুদোংচাদবা ফীভম কয়া মায়োক্লুরবসু নেপালগী উন চেনবা তুরেল অমদি শুক্লবা উমংশিংগী হায়ফম খঙদনা ফজরবা দৃশ্য কয়া য়েংলম্মী। তশেংনমক মখোয়দু হায়নীংঙাই লৈতনা ফজে। ঐখোয়না ইশাদা কিলো ৩৫গী লূম্লবা পোৎলুম পুরগা অঙকপগী মশক ফংলবা লেন্দস্কেপ কয়া য়েংলিবা গধানি হায়জে। ঐখোয়না কাখৎলগা থেংনরিবা হায়ফম খঙদনা ফজরবা চীংশাং নাপোমশিংগী ফজবদা ঙাওরুরি। চৎলিবা এক্সপিদিসন অদুগী চঙলিবা শেনফমসু য়াম্না ৱাংই, খুদম ওইনা মাউন্ট কলাপথর ত্রেক্কিংদদা অমেরিকান দোল্লর ৯৯০ মুক ওইগনি।



ঐখোয়দি স্পোন্সরসিপ মতেংনা অমদি এম এম টি এ টিমগী গ্রাউন্দ ৱার্কনা ঙম্বনি। মফম কয়াদি অপিকপা স্বিটজরলেন্দদু মঙায়, অদুগা জুম্বেসি হায়বদুনদি ঐখোয়গী পূক্নিংবু ঈথক হৌহল্লম্মী। ইতোমতা মফম অসিদা ফিল্মদুম নমগদবনি খল্লম্মী, নিংথিজরবা লেন্দস্কেপ, য়ূম খরা, মদুগী খ্বাইদগী পূক্নিং চিংশিল্লিবনা হায়-টেককী চাকশঙগী মওং মতৌ অদুনি। য়ূমগী অকোয়বদু পাইপনা কোয়শিল্লি মদুবু চাকশঙগী মৈশানা শাহল্লি, মদুগীদমক চাক থোংবদা শীং শীজিন্নৈ; চাকশঙদা শীজিন্নরিবা ইচমদি চল্লগা হায়-টেককী ৱাখল্লোন্দু ফজনা চাকশঙদা মথৌ তৌরম্মী। ৱাশ বেসিনদা মতম পূম্বা অশাবা ঈশিং ফংই। থাউ তৈবা, কোল লিক ফেংনবা অমদি ইরুজনবা তোঙান্না ঈশিং শাহনবগী মথৌ তাদে। মনুংদা থল্লিবা লোইনমক তরু তনান মফম চানা চানা লৈ। জুম্বেসিদা লৈরিবা য়ূমশিং অমসুং অকোয়বগী নীংথিজরবা দৃশ্যদু উবদা ঐহাক্তি কল্লকচরম্মী। ঐখোয়না ফজবশিংদু উরিবদুসু মনীং থংলুবদুননি, অদুবু তপ্না কাবা ঐখোয়দি তপ্না, লেপ্তুনা চৎলিবা থেঙ্গুগুম্বনি, উবসু খ্বাইদগী ফজবদুনি অদুগা পন্থুংসু য়ৌগনি। *-ডা. সাধনা নিংথৌজম*

**ৱারী ককনাউ**

# গো কোরোনা-গো কোরোনা

হৌজিক্কী অঙাংশিংগা মমাঙঙৈগা য়াম্না খেন্নরে। হৌজিক্কী অঙাংশিংসিদি ওন্থোক্লা শিংখ্রজাৎনি। য়াম্না হৈ-শিংই। অঙাং অমনা ঙাঙথোরক্কনি থাজদবা ৱা কয়া ঙাঙই। মদু কনামক্তনা মখোয়দা অসুম্না হায়য়ু হায়না ইনশিল্লুবা অমত্তা নত্তে। কদাইদগী কমদৌনা থোরকপনো খঙদে, য়াম্না শিংখ্রে, শুংথা হেক থাজদে। ইশেং শেংনা হায়রবদা হৌজিক্কী অঙাংশিংসে, অঙাং য়াম মানজদ্রে।

থোইথোই, চহী তরুক্পম্বা চঙলকপদা ঙাইহিরি। য়াম্না নুংশিরকপা মতমনি, ইবোহল অমদি মেমীগী অমত্তা পোকচবা মচানুপানি। য়ূমদা ইবোহলগী মনাওনুপানে, মচানুপী অমনে, মমানে-মপানে, পূন্না লৈমিন্নৈ। মোই লোইনমক কোরোনা কিবদগী অমদি লৈঙাক্লা কর্ফিয়ু থমখিবদগী য়ূমদগী মপান অমত্তা থোক্লদ্রে। নুপামচা অমগা ওইবনে, মীকি-লাইকিদে। মীনা ঙাঙখিবা-তৌখিবশিং য়াম্না কাউগন্দে। ঙসিদগী চহী অমগী মমাঙদা মানা চহী মঙাগুম্বা শুরকপদা তৌখিবা থৌদোকশিং অদুম চপ চানা নীংশিংলি। অদুনা মরক মরক্তা হেক হেক হায়রকপা য়াওই। মায় মতৌদুদা ইমুংগী মী ময়াম্না ৱা-ৱা নোকচৈ। থোইথোইসে ময়ামগী পোত্থাফমনি। কোরোনাগী কর্ফিয়ু লৈদুনা মী অমত্তা চথোকপা য়ানদ্রবা মতমসিদদি মায় মতৌ য়েংনীংদুনা মতম লেল্লি। য়ূমগী মীশিংসিনা মোই মোইগী মনাক্তা অঙাং থোইথোইবু কৌশিল্লি, থেম-থেমদুনা মাবু ৱা ঙাঙহল্লি। মদু তারগা পোত্থাজে।

মণিপুরদা কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভ য়ৌশিল্লক্তুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কর্ফিয়ু থমজিল্লকপদগী নুমিৎ হুমনি মরিনি শুজিল্লকপদগী হান্না লৈরগা থনম্বা মনা-মশিং অশংবমখৈ অয়ূক-নুংদাং পাদুনা চাবদা লোইরে। হৌজিক লৈরিবা হায়বু হৱাই কাংতক, মুসোরি, আলু খরা অসি মঙায়রে।

“ককা ঐগী ধুলোক অমা লৈবদু কায় চৎখ্রে”? মরোল শেংফাত্তনা থোইথোইনা মাগী ককাগী মনাক্তা লাক্লগা হংলৈ।

“ককাদি খঙদেনে, ধোলোক্তু অমুক থিল্লগে হায়রিরো, অদুক চাউরদুবু ধুলোক অমুক থিল্লগা শান্নগে হায়রো?”

“উম” অদুম চেন্থোকখ্রে।

“নেনে, ঐখোয়গী কেন্দল মচা মচাদু লৈব্রা?” মোবাইল ফোন মেত্তুনা লৈরিবা মনেদা থোইথোইনা হংলি। ফোন মেৎনা মেৎনা মনেনা খুম্মী।

“লৈ য়াম্না লৈ, করিগীনো”

“থানসে”

“লাই ধুপ থাবদা থানগদবনি”

“ঐনা হায়দি অদু নত্তে, পরেং পরেং থানসি হায়বা”

“অদুদি হয়েং ইমোইনু নুমিত্তা থানগদবনি, ইমোইনুদি য়াম ৱাৎলি”

“অদু ওইরসু ঙসি থান্নি, কো নেনে কো”

“হোই হোই” অঙাংগা মান্নবা তনবদগীরা, থানরিবা মেসেজ অদুনরা কৈনো, মমায় ফাওবা কয়া লৈশিল্লক্তনা মনেনা খুমখি। থোইথোইদু হরাওনা চেনথোকখি।

নুমিৎ তাশিল্লক্লে, মনেনা লাই ধুপ থারি। মমানা হৱাই থোংনবা চাকশঙদা হোৎনরি। মপানা মমাগী মতেং পাংদুনা মরোই শোইবা য়াওশিল্লি। মবোক্লা মথৌগনা টি ভি কাদা টি ভি য়েংলি। মাগী ককাদি মাগী কাদা মোবাইলদা গেম কন্না শান্নরি। তাঞ্জাসিদা য়ূমগী মথক থংবা ফর্ষ্ট ফ্লোরদগী থোইথোইনা পুখম অমগা তেঙ্কোৎ অমগা পায়রগা গাঙ-গাঙ কন্না-কন্না খিংলকই। ময়ামদুনা করিনো-করিনো হায়না লোইনা চেন্থোক্তুনা য়েংনৈ। শুমাংদা ধুপ থারিবা মনেনা মমায়দু থোইথোইদা ওনখৎলগা লাউরকই।

“থোইথোই কৈনো য়াচংলকপসিদা পুখম খিংলিদুবো?”

“নেনে নঙনা থানসি হায়বা কেন্দলদো থাল্লো”

“অদুবু করিগীনোনে, পুখমদু থিনগনু, তৌহৈদেনে”

“তৌহৈ কৈসু, নহানমুকসু টি ভিদা মী ময়াম অমা য়ূমগী মথক্তা পুখম থিল্লিদুদি, মোইবুং খোংলিদুদি কেন্দলগা থাল্লগা”

তাঞ্জাসিদা মাগী ককা থোরক্তুনা খিংলিবা পুখমদু মুন্নবা হোৎনরি।

“ইচাদি মরম মোকই, পুখমসি য়াররোই, তাসু য়াম তানীংদে, সে থমখ্রসি”

“য়ারোই য়ারোই, কোরোনা নারিসি খঙদ্রা, কোরোনা চৎখিনবা পুখম থিনগদবনি, কেন্দল থানগদবনি, খূবাক খূগদবনি, মোইবুং খোংগদবনি। অদু ওইরদি কোরোনা চৎখিনি হায়না হায়দুদি”

মাগী ৱাদু তাবদা ময়ামদু থোইথোইগী অকোয়বদা ইকোয় কোয়না য়েংলগা ৱা-ৱা নোক্লি। থোইথোই মোই ময়ামগী মতৌদু উবদা মবূক্নিং নুংশিরকই। পেহৌ পেহৌ তৌরকই।

“মীনা অশেংবা হায়রগা, মোদিনা খূবাক খুরসু কোরোনা ফনি হায়না ময়াম লোইনা পুখম থিলহল্লিদুদি, নোইদি খঙসু খঙদনা” হায়রগা কপথোরক্লে। মচিং ফত্তবা অঙাংনি, মানা হেক শাওখিবদা থোকঅবা অমা তৌদৌরিনি,

অপায়বনা পোপ পোপ থোম্মক্কদৌরিবনি। অদুনা মমানা চঙশিন্দুনা ফজনা থেম্মে। মপানা অচাপোৎ অমা পীরে। অদুকান্দুদা খিত্তং হরাউরবা থোইথোইনা পীরিবা অচাপোত্তু ময়াদা হুকচিল্লগা মখূৎ মচাদুনা খূবাক পাক পাক খুদুনা ঈশৈ ওইনা শক্লকই।

“গো কোরোনা - গো কোরোনা”

ময়ামদুদি মপূক্লি পায়দুনা শিথ-শিথখৈ নোক্লি। থোইথোইদি চোঙ চোঙদুনা ঈশৈ শক্লি, ‘গো কোরোনা - গো কোরোনা”।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।